ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ১২, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১০৭শুবা মশীং

# শেন্মীৎলোন ফগৎলক্লবা হুরানগদ্রা

## ৱাদনা নুংঙাইনীংবশিংদি ফূদেক্কদবনি

মণিপুর অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমনি। ঈশিং লন্বী লৈতে, চীংনা ইকোই কোইশিল্লি। লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী চল্লকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা ত্রেন লম্বীদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা শম্নবগী মঙলান মপূং ফানা মঙফাওনদ্রি। ষ্টেট অতৈগা ফাওনরিবা নেসনল হায়ৱে অনীমক 'ওল ৱেদর রোদ' ওইহনবা ঙমদবগী মথক্তা ঙাইহাক লৈতনা থোং তৎপা/তেকপা, থোংখোঙ য়াওনা পুল্লপ চেন্থখিবগী থৌদোকশিং থোক্লি। নোং খজিক্তুং চুরকপগা চীং নীংখাইরি। হায়ৱে অনীসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা ওইরি। পূম্নমকসিগী মথক্তা জুন ২৯ অমসুং ৩০গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মরাংচীং পার্ট-৫ (মখুঅম) গী এরিয়াদা লৈবা রেলৱেগী মফম অমদা লৈবা য়ূমশিং চীং নীংখাইরক্তুনা পুল্লপ ননশিনখিবদগী মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা মীশি-মীনাগী নেচরেল কেলামিতিগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রে। পূম্নমকসিগী মথক্তা ষ্টেটসিগী রিসোর্স লৈজদে, শুফম-নোম্ফম ফংগদবা ফেক্টরি/ইন্দষ্ট্রিজশিং লৈজদে। সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লসু মখোয়গী থবকশিং থুংনবা য়েন্দুনা পীবা ঙমদে। লৈঙাক্লা ফাওবা ঙমদ্রবনিনা লন্নাই মীওইশিং ফাওবনসু ঙমদে। মরম পূম্নমকশিং অসিনা মণিপুরগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফত্তে। পুন্সি মহিংসু অসুক্কী মতিক থাক নেম্না লৈ। নুংঙাই-য়াইফবা মীওইগী মশীংনা লাইতং ওই, নোংমগী হাতে-হাতেদা চরা তাল্লগা হিংবা মীওইশিংগী মশীংনা শংবাই ওই। হায়বদি মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙমদবা মীওইশিংগী মশীংনা য়াল্লি।

অদুবু মণিপুরনা অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরে, লৈরক্লি হায়দুনা হিংনবগীদমক্তনি হায়দুনা হুরান চিন্থি তৌরগা হিংনবা হোৎনরকপদি অচুম্বা তৌফম থোকপা থবকশিং ওইগদ্রা? অদুগা হিংননবা হোৎনরিবনি হায়দুনা ৱাদনা শেন্দোং য়াম্না ফংননবা অরানবা পান্বেশিং শীজিন্নরকপদি চুন্লোই। অদুবু অসিগুম্বা থৌওংশিংসি হৌজিক ফাওবা চথনবা য়াওরিবা মাল্লে। জুলাই ১,২০২২গী নুংথিলদা থাঙ্গাল কৈথেলগী বোরা গল্লিগী টোইলেট কমপ্লেক্সকা মায়োক্লনা লৈবা হোটেল অমদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমা থোক্লে হায়দুনা সিটি পুলিসকী টিম অমা চঙশিনখি। টিম অদুনা হোটেলদুদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা অপীকপা প্লাষ্টিক বোট্টল ৭তা হিরোইননি চিংনবশিং লৈরম্বা থেংনবদগী হোটেলদু চলাইবিনি হায়বা মীয়াই চল্লবী নুপী অহুম ফাগৎলকখি। কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখি। থোরক্লিবা ৱাফমদি হোটেল ফমদুনা নুংতিগী হিংনবগী পুন্সিদা মতেং খরদংসু ওইনরিবা অফোংবা অমসুং লোনসু য়াবা থবক্তুগী মরুমদা হোটেল ফম্বনা শেন্দোং য়াম্না ফংদ্রে, য়ূম পুবা কোন্নদ্রে হায়দুনা ইল্লিগেল ওইবা থবকশিং হুরান-লান্নাদা চথরকপদি চুমগদ্রা হায়বনি। মীতৈগী পাউরৌদা হুরান্দ্রবদি নুংঙাইবা ঙমদে হায়না হায়নবা লৈ হায়দুনা হোটেল ফম্না-ফম্না হিরোইন নম্বর ফোর য়োনবগী থবকশিং তৌরকফম থোকপ্রা? থৌওং অদুদি ৱাদনা, পাঙ্গল ইপু পুথোক্তুনা শেন্দোং-শেনয়াম য়াম্না ফংনীংবগী মপুকচেল খোয়বা মতৌনি হায়দবা য়ারোই। মসিমক ওইরম্লগদি চুমদ্রিবা মপূক্লিং-ৱাখল, খোয়রিবা মবুক্তু লোগী মপাঙ্গল কল্লবা সেক্সনশিং শীজিন্নদুনা চুমথোকপীগদবনি। ৱানিংদনা নুংঙাইনীংলিবদু ফূদেক্লগা লৌথোক্কদবনি। ষ্টেটসিদা লো লৈরি, চৎনরি অমসুং মসিগী ফিজি-ফিনা নেৎপা হুরানবা থবকশিং তৌরুবা য়াদে হায়বদু চপ চানা খঙহনগদবনি। লৈবাক ৱাথোক ওইবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিংগী থৌদোক কয়া তোয়না থোকচিল্লকপদগী মণিপুরদা হৌজিক 'ৱার ওন দ্রগস' কী অকনবা লান শোক্লরক্লি হায়বসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়োলদা হোটেল তৌরিবা মখোয় অহুমদি তারম্লোইদ্রা? তানা তানা তাশিন্নদবা ওইরম্লগনা মনাকোং দ্রমদু শেগাইদেদো খাক্তুনা অয়াকপা খোঞ্জেলদা লাউশিন্দুনা হায়বীগদবনি, তাহনবীগদবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু অসিগুম্বা থবক্তা মখল অমত্তগী য়াশিন্নবা তৌরোই তোয়না হায়দুনা লাক্লিবনি। মরাল লৈরমদ্রগা থাদোকখ্রো। মরাল লৈরম্লগনা মতিক চাবা চৈরাক চপ-চানা ফংহন্নবা থবক লৌখৎলু। নাওশুম হাইরিবা খূৎনা মালেমসিবু চলাইরিবনি। হিংচাবীগী খূৎ য়াওরক্লবদি মতুং তৌরক্তনবা মতাং চারিঙৈদা ককথৎপিহৌগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১) **"তনৌ তনৌবী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"দ গাইদ: লমজিংবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **"শাবন য়ূম্ফম"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **"শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজৈ চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

৫) **"নূর বেগম"** হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঈ-ৱেষ্টনা অমুক লাঙ্গোয় চল্লকপা

### হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১১

### জিতেন নামৈরাকপম



য়াম্না নুংঙাইবা পাউনি। ঙরাং নহান্তনি মেত্রিক পরিক্ষাগী রিজল্ট হায়দোকখিবদু। চাদা ৬৮ হেন্না পাস তৌখি হায়না তাজখি। ঐখোয়না মেত্রিক পরিক্ষা থারকখিবদু কুমজা ১৯৮৫দনি। শুপ্নতগী চাদা ২৩ রোমদং পাস তৌখিবনি। তোরা তুনা ফেল ওইনখি। মতম অদুগী ইভাল্যুএসন তৌবিখিবা ওজাশিং মার্ক য়াম্না লিক্লা পীখিবনা ওইরমগদ্রা লেট্টর মার্ক, ফ্লায়িং কলরদা লাকপা কায়সি য়াম্না তাঙনখি। অঙ্ক, ইংলিস, সাইন্স, সাইন্স হায়রগনা রাধেশ্যামনা ইবা ইলিমেন্টরি সাইন্স মখুম অঙাংবা অপাবা লাইরিক অদু ঙসিসু নীংশিংলি। মতম অদুদা মার্ক ৪০/৫০ ফংবা কায়সি য়াম্না ৱারম্মী। ওজাশিংসু মার্ক পীবসি ওন্থোক্লা লীকখ্রবজাৎনি। হৌজিক্তি মার্কসি চোল্লপ চোল্লপ পীরমগদ্রা চহী ২ কোভিদনা লাইরিক তমহল্লুদ্রবসু অঙাংশিং পার্সেন্টেজ ৱাংনা পাস তৌহল্লক্লে খল্লি। য়াম্না নুংঙাইজৈ। ঐগী ৱাখলদদি অঙাংশিং তোরা তুনা ফেল ওইরক্কদ্রা খল্লুবনি। স্কুলগী ওজাশিং ইনভিজিলেটর, ইভাল্যুএটর, মরী লৈনবা বোর্দকী মেম্বরশিং পূম্নমক থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়নন্না সবজেক্ট অমা/অনী ফেল ওইহৌরবা অঙাংশিং চহী মাঙহন্দবীদা কম্পার্টমেন্টরি এগজাম অথুবা মতমদা থাহনবীরগনি, কোভিদনা লাকহৎপীখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মীনুংশি য়েংবীবনি হায়না লৌজগনি।

মেত্রিক পরিক্ষা, মেত্রিক পরিক্ষা পুন্সি অসিদা খ্বাইদগী কিনা থাখিবা পরিক্ষানি। পরিক্ষা থারিঙৈ মনুংদসু বোর্দ লাক্লে পাউ তাবদা শ্বর মপি হোনবীনি অদুক্কী মতিক কিবা ফাওখি। হন্দক্কী পরিক্ষাগী রিজল্ট লাউথোরকপদা কেঠলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী মহৈরোয় নুপামচা অমনা ফর্ষ্ট পোজিসনদা টোপ্পর ওইখ্রে। ঐগী ইচাশিং স্কুল অসিদা তমহনখি। কেঠলিক স্কুল কাঞ্চিপুরদা চহী খুদিংগী ৱান-টু ত্বেন্টিফাইভকী টোপ্পর লিষ্টতা ৫/৬/৭ অদুমক য়াওদুনা লাকখিবনি। অদুবু ফর্ষ্ট রেঙ্কতা পোজিসন হোল্ডর ওইখিবদি অমত্তা য়াওখিদব্রা খল্লি। হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরমগনি। মকোক থোংলক্লবা মহৈরোয় ওজাশিং অমদি মরী লৈনবা পূম্নমকপু থাগৎচরি।

ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি খল্লুবনা অমা ইথোরকপনা মেত্রিক এগজাম ওন্থোক্লা তায়ওন্নরম্লে। ইগে খঞ্জরুবদি অমুক্তং শীজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক কেরিয়র বেগ, সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক ৱাটর বোট্টল, মশীং থিঙমদ্রবা প্লাষ্টিক্কী আইটেমশিং, ঈ-ৱেষ্ট অসিনচিংবনি। হন্দক্কী হৌখিবা জুলাই ১দগী মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা প্লাষ্টিক থিংলগনি লাউথোকখ্রে। থিংবসু হৌখ্রে। খ্বাইদগী লুরিবদি অসুক কান্নখ্রবা পোৎশক অমা মহুৎ শিনবীনবসু থোরক্ত্রিঙৈদা থিংজিনখিবা অসি ঐখোয় ইশা ইশানা শীজিন্নবা হৈতবা মথোং মরম খঙদনা পংহুন্দা হুন্দোকপা চৈখারকপদগী থোকহল্লকপনি হায়জনীংই। প্লাষ্টিক্কী শীজিন্নফম্বু লোইবা নাইবা লৈরিব্রা। মেত্রিক থাখিবা অঙাংশিংনা ইখিবা কলমসু প্লাষ্টিকমক্তনি। লাইরিক্কী চেখুম, সেল্লোটেপ করি করা প্লাষ্টিকমক্তনি। নোং হেক ঙানবদগী শীজিন্নরিবা টুঠ ব্রশ, টুশ পেষ্ট, শেম্পু পরেং পরেং, সাপোন কেপ, মগ, বালটিন... প্লাষ্টিকমক্তনি। ঐখোয়না ফজনা তাশিন খোমজিন্দুনা থন্নগা রিসাইক্লিং, রি-য়ুজ তৌবা য়ানবা চাইথোকহল্লমদবা তারগদি কান্নখ্রবা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংলম্লোইদবনি। প্লাষ্টিকক্কী কান্নবদি থাদুনা লোইবা নাইগদবা নত্তে। থোঙ, থোঙনাও, টেবল চৌক্রি, দাইনিং টেবলনচিংবা ফাওবদা উগী মহুৎ শিনখ্রবনি। মতম অমদা শীজিন্নরম্বা চেনা শাবা খাউ অমুক শীজিন্নরকপা তারগদি উ-ৱা য়াম্না য়াল্লকপা তারি। চপ মান্নে, থোঙ থোঙনাও, টেবল চৌক্রি শান্নরিবা প্লাষ্টিক থিংখিবা তারগদি উ য়াল্লকপা তাবনি। মদুগী ফলনা গ্লোবেল ৱার্মিং- খল্লুবদা তু চুংবা ফাওরকই। প্লাষ্টিক থিংলকপা মতমদা হীরম খরদা অফবা ওইরক্লগসু হীরম কয়া অমদা হোত্রোং হোরকপা কনানা তম্বা ঙম্বা।

প্লাষ্টিকক্কী ৱা অসিনা তোঙান্না অমুক থমখ্রগা হৌজিক য়ূম অমদগী চাকখুম অমদগী পুথোক্লক্লিবা কিটচন ৱেষ্ট, দোমেষ্টিক ৱেষ্ট, ঈ ৱেষ্ট ময়াম অসিনা ওইরি খল্লুবদা লাল্লোইদ্রা খঞ্জে। হাপ্তা খুদিংগী থাংজ নুমিৎশিংদা য়ূমগী অরেম অপা, গার্বেজ খোন্নগা হুন্দোকপীনবা গাড়ী অমদি ঈশৈ খোংলগা অদুমক লাকপীরি। থা অমগী ফী হায়গদ্রা লুপা ২০০/২৫০ রা ওইবনি মতেং পাংবীবগী থাগৎচরি। অদুদা খ্বাইদগী লুরিবসি ঈ-ৱেষ্ট, টি ভি য়াদবা, কম্প্যুটর, সেল ফোন, এল ঈ দি বল্ব, ভি সী দি, ভি সী আর, লেপমুক ৱাংবা রিফ্রিজিরেটর, মথৌ তৌদ্রবা ৱাশিং মেছিন, মোরেদগী লৈরকপা য়াদ্রবা টোর্চ লাইট তরা'মুক, হিটর, ৱাটর ফিল্টর, ফেন অতেকপা, এয়র কুল্লর অচাকপা, মৈগা মরী লৈনবা মখল মখল ময়াম অমা চিনখ্রবা ঐগী য়ূমদা পৈদুনা লৈরি। অদোম অদোমগী য়ূমদসু হায়রিবা পোৎশকশিংসি শোয়দনা লৈবীরমগনি খঞ্জে। হুন্দোকফম লৈতে। হুন্দোক্লুবা য়াবসু নত্তে। অমোৎ অকায় খোন্বা লাকপীরিবশিংসু পুবিয়ু য়াবিদ্রে। য়োৎ কৌতা, প্লাষ্টিক খোন্বালাকপা ময়াংশিংনসু লুপা ৩০/৪০ পিজগে পুবিখ্রো হায়রবসু শুকয়া য়াবিদ্রে। খ্বাইদগী হেন্না পৈদুনা লৈরিবনা লিক্লিসু অমনি। বিয়র বোট্টল, অতাঙ অতাঙবা স্প্রিট মনম নন্বা হ্বিস্কিগী লিক্লিশিংসু পুবীয়ু হায়বা শুকয়া য়াখিদ্রে। মসি ঐ খক্তগী ৱাসু নত্তে। মরুপশিং, য়ূমথংনবশিংদসু অদুমক থোক্লি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মন্ত্রি, হৌজিকমক মখোঙ য়াঙনা থবক তৌবিরবগী মফমদা ঈ-ৱেষ্ট রিসাইকল, রিয়ুজ তৌনবা খোমগৎপীরগদি নুংঙাইজগনি।

ঈ-ৱেষ্ট ময়াম্না হেন্না খঙবীরবনি। ইলেক্ট্রোনিক্সকা মরী লৈনবা দিভাইস চাইনানা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা লান্দারক্তুনা খুদুম চনখ্রবনি। মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা চাইনানা শাবা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইস অমমমদি শোয়দনা লৈবীরমগনি। ঐখোয়শ্বায়দা হায়রগনা মোরে রোমদগী লাকপা রি-চার্জ তৌবা য়াবা টোর্চ লাইটতগী হৌরগা টি ভি, ভি সী দি, ইন্দক্টর, মখল মখলগী ইঞ্জিন, টুলু চাইনাগী চাইনা মক্তনি। অদোমগী চাকখুমদা, দ্রোয়িং রুমদা, বাথরুমদা, ফিরোল, তাৱেলবু ওইগেরা, অচাপোৎ ওইগেরা, ফিশু ফিজাম তৌনবা পোৎপু ওইগেরা চাইনানা শারগা থাদোরকপা পোৎ অমদি শোয়দনা লৈরমগদ্রা খঞ্জে। চাইনানা শাবা মোরে রোমদগী লাকপা পিকত্রু পিকপা রেদিওগদু য়াম্না নুংঙাইবনি। জপানগী টেপ রেকোর্দসু মঙাই, জপান্না শাবা পোৎলম কয়াসু ঐখোয়গী লমদম অসিদা শীজিন্নরি। ঐখোয়না পায়রিবা এম আই মোবাইল ফোন ইন্দিয়াগা কোলাবোরেসন তৌরগসু চাইনানা মপু ওইরমগনি খঞ্জে। নোকিয়া, মোটোরোলা, সোনি লোইনা মুৎখ্রে। এম আই ফোননা খুদুম চনখ্রে। ইলেক্ট্রোনিকক্কী চক অসিদা খ্বাইদগী লুরিবসি শীজিন্নরুরগা হুন্দোকফম লৈতবা অসিনি। ইনভাইরনমেন্টকী মহৌশাগী ওইবা মচৎ কন্ননবা, ঈ-ৱেষ্টনা থোকহল্লিবা টোক্সিক ওইবা নেচরদা হজার্দস ওইহল্লকপদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা ঈ-ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী থবক পায়খৎহন্নীংই। হুন্দোকফম লৈত্রবা থায়নগী ট্যুব লাইট, বল্ব অশাংবা, এল ঈ দি, মৈ হেঞ্জিল্লক্তুনা চাকখ্রবা বাথরুমগী গীজর, রাইস কুকর য়াদ্রবা, টি ভি করি করা ময়াম অসিগী খল্লুবদা অৱাবা ওইরে। ঐদসু নত্তে ঈ-ৱেষ্টনা পৈদুনা থল্লবা, হুন্দোকফম খঙদনা ককঙাওনরবা কয়া অমসু লৈরমনি। লৈঙাক্কী ওইবা ইমিদিএট এক্সন খৌরাংনা ঙাইজরি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৭৬

### ৱাখল ইহুল

### সোরাম ইবোহল লুৱাং

মথক্তা হায়জখ্রে, লাইনীং খুদিংমক্তা অচুম্বা থৌওং অমদি অদুম ইরোয়দা লোয়নৈ। চীংমীনা তমদা লৈদুনা লৈরুবা মফমদুগী মফম চাবা অমদা লাইনীংগা মরী লৈনবা লাই খুরুম্ফম শেমগৎপদা অথিংবা অয়েৎপা লৈতবা হায়বসি অচুম্বা থৌওংনি। মতৌ অসুম্না তম্মীনা চীংদা লৈরগা হৌরক্লোন্দগী হায়বদি হৌজিক্কী নমু তাইবঙ ওইবা ঐখোয়না নৌনা শেমগৎলুবা নত্তবা মৈতৈ/মীতৈগী লাইগী খুভমশিং মতমগী মতুংইন্না চারোল শুরোলশিংগীদমক পাথাং কোক পুথাং কোক্কী ওইবা চৎনরোলশিং মৈনা ৱাই তাংনা শমদুনা লৈহৌনবা শেমগৎপা, ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসিসু অচুম্বা থৌওংনি। মসিগীসু মথক্তা মৈতৈগী খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা চীং অয়াম্বদা লৈরম্বগী মরমদি মৈতৈ/মীতৈগী লাইনীংদি মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিংগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ তাক্লম্বনি/উৎলম্বনি। লাইফম ওইবা লাইগী খুভম লৈবা মফমশিং মহৌশাগী লৈশেম্লোনগা শাগোন্নবা পোৎশকশিং অয়াম্বা লৈ। থেল, শুরুং, ইফুৎ/ঈশিং কোম (পুখ্রি), অখন্নবা মশক নায়বা উপাল-ৱাপাল, নাপী-শিংবী, মখল মথেলগী নূং মচুশিং, মশক মওং নায়বা কয়া ওইনীংবা লাইফমশিংগী মনাক নৎত্রগা অকোয়বদা উরিবমক্তনি। মরম অদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা অসিগুম্বা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি চাওখৎলবা হৌজিক্কী মালেমগী মীওইবা খুন্নাইশিংনা মসিগী মমল নাইদ্রবা কান্নবা অমদি মথৌতাবসি খঙলকপদগী চহী খুদিংগী জুন ৫বু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে হায়না ইহান হান্না কুমজা ১৯৭২গী জুন ৫-১৬ ফাওবা স্বিদেনগী কোনুং ষ্টোকহোলমদা ফমখিবা য়ু এন কনফরেন্স অদুগী মখা চথরকপদা চহী খুদিংগী জুন ৫ দা মালেমগী ওইনা কান্নগদবা থিম অমমম হোং হোংদুনা মালেমগী অকোয়বগী শক্তম কন্নবা নুমিৎ হায়না থৌরমশিং পাঙথোক্লি। মসিদসু নত্তনা মৈতৈ/মীতৈশিংগী ওইনদি উমং লাই হরাউবা হায়দনা তৌনরিবা মফমশিং অসিদসু উ থাবগী য়োকপগী মথৌ তাবসি লৈবদগী উমং হায়বা ৱাহায়সি লৈরকইবসিনি। মসিনা তাকপদি লৈশেম নোংশেমঙৈদগী হৌনা লমদমসিদা পাথাং কোক পুথাং কোক ওইনা পাল্লকখিবা লাই ওইখ্রবা পুরেল নাককপশিংনা য়াম্না খঙনা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়নন্না মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিংবু খল চানা ঙাকশেন্দুনা মতম চূপ্পগী ওইনা থম্নবা থৌরম থৌশিলশিং (প্লানশিং হায়দনা হৌজিক তৌরিবসি) ফজনা য়াৎলগা থন্বীরল্লিবনি। খুদম খরদং ওইনা পঞ্জরবদা, চহী খুদিংগী মতম নায়না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লমদমসিগী লাইফম/খুভম লৈবা কৌব্রু চীংগীদা লাইয়িংথৌ কৌব্রু, থাংজিং/থাংচীং চীংগীদা লাইয়িংথৌ থাংজিংগী, নোংমাইজিং শেল্লোই লংমাইচিংদা লাইয়িংথৌ নোংপোক পান্থোইবী অনীগী লাইয়িংথৌ অচিবগী মশাই কোনশিংগী অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা য়োকখৎতুনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি মহৌশাগী ওইবা থৌওংশিংনি।

অমুকসু, হোংনেময়োই খুঞ্জাওবনা শেল্লোই লমদা লোৎতুনা নোংবানলোন পিতংঙাবু লৌরগা য়াওং ইন্দুনা লৈরিঙৈদা, য়োই খুঞ্জাওবগী মপাবুং মৈতিংঙু কোন্থৌবগী (খৃ: ৫৬৮-৬৫৮) মথক্তা শেল্লোইশিংনা লমনশিংবা ঙমদবদগী মচা ইবুংঙোগী মথৱায় লৌরগা লমন শিংনবা থৌরাং লাকপদা মবুংঙোগী য়াইবী থৱায় কল্লগা লোৎনা থুপ্না চেলহল্লমদাইদা, "হোংনেময়োই খুঞ্জাওবনা নোংমাই পিতংঙাগী মফমদা হয়েং ঐনা কংলৈ ফম্বাল কাবা মতমদা ওইনফম ফম্বাল লাংহনগনি হায়দুনা শারি ৱাশক্লম্বদু" খৃ: ৬৬৩দা হোংনেময়োই খুঞ্জাওবনা মৈতৈ লৈমরেল কৈরুংহনবীগা লোয়নন্না কংলৈ ফম্বাল, লুৱাংদগী হল্লক্তুনা নিংথৌ ওইনা চহী মঙাগী মতুং, তোংবা মতমদা ফম্বাল মিংলেন নাউথিংখোং হায়না কৌরবা মতুংদা, নোংমাই শেল্লোই চীংদা লৈহৌবী পিতংঙাবু কাউথোকখিবদগী মমাঙদা লেপ্লবী পিতংঙাবু মৈতিংঙু নাউথিংখোংনা 'ইমা' হায়বা ৱাহায় তাবদা নুংঙাইতবা ৱাখল হেনমনখিবদগী শঙ্গাই য়ূমজাওগী লপয়ান কাদা ৱান্থদুনা শিখিবদু খঙলকপদগী মৈতিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ পিতংঙাগী লম্মন শীংবা শক্তুনা পিতংঙাগী হৌরকফম 'চীঙ্গোই ঈ তুরেল মরিন্দা চহী খুদিংগী লমতাগী ২৮নি পানবা নুমিত্তা" হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা লৈবাক মীয়াম্না লেপ্তুনা চৎনরক্লি। অদুবু চহী মতম খরা হিন্দু লাইনীংগী লিচৎ পুশিনবদগী মমিংদা করিদা থৌওং খরা হোংলুরবসু চহী খরগী মমাঙদগী হান্নগী অশেংবা ঈচেলদা অমুক হঞ্জিনবা হৌরকপসি অচুম্বনা মমৈদা মায় পাকই হায়বা মহৌশাগী ওইবা অচুম্বা থৌওংনি।

নাকল অমরোমদা অমুক, ইন্দিয়াগী ওইনা হিন্দুগী মমিং লৈবা অরুবা লাইগী লাইফম/খুভম কয়া হিমালয় চীংজাওগী মসা মরেং ওইবা অৱাংবা চীংথক্তা লৈবশিংদা চহী খুদিংগী অকক্লবা মতমদা য়াম্না ৱানা কিলোমিটর কয়া খোঙনা/শগোল তোংদুনা চৎপদা খুদোংচানবগীদমক লৈঙাকশিংনা হায়বদি ময়োল লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ষ্টেটকী লৈঙাক অনী পূন্না সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাং কয়া চহী খুদিংগী পায়খৎপগী পাউদমশিং লৈরি। লাইফমলেনশিং ঙাক শেনবগী মথক্তা লাই খুরুম্বা চৎপশিংনা মফমদুদা লৈরিঙৈ মতমদা মরম অয়াম্বদা খুদোং চাবশিং পীনবা শেম শাদুনা থম্বগী ৱাফমশিংসু অদুম য়াওরি। অপান্নবা হায়রুদ্রবসু অদুম ইখঙ খঙনরবা পোৎনি। হায়রিবশিংসি হিন্দুগী ওইনা মরু ওইবা লাইফম/লাইফমশিং ওইবনা তঙাইফদনা লৈঙাকশিংনা ঙাক শেন্দুনা থম্বসিবু অচুম্বা থৌওং ওইবদা অতোপ্পা লাইনীং ফুরুপশিংগী মতাংদদি ময়োল লৈঙাক্লা নাথৈরপ তৌরগা থম্বদি লৈঙাক্কী ওইনা লৈঙাক্লোনগী চৎন-পথাপ (কন্সটিটু্যসন) দা য়াওবা সেক্যুলরিজমগী ৱাফমদদি খরা তায়োন্নবা/নাথৈব্রা হায়বসিনি।

মতাংসিগী ওইনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি লমদমসিগী ওইনদি চহী লিশীং কয়াগী পুৱারীগা শাগোন্ননা লৈরকপদগীনা হৌজিক অমসুং তুং শমথনা লৈহৌরগদবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী শাগোন্নবা লাইশিংগী লাইফমশিং ওইরিবা কৌব্রু চীং, শেল্লোই লংমাই চীং, থাংজিং চীংনচিংবা অতৈ অতৈ চীং খরসু ফোরেষ্টকী রিজার্ভ এরিয়াগী লমশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বা অদুম হায়না হিষ্টোরিকেল সাইটশিংগীদি মথৌ তাবগী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংনা ঙাক শেন্দুনা, উমং শেমগৎতুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্লা ঈনাৎলোইশিংগী ওইবা অপূনবা লূপ অমগী মিংদা মফমশিংদু দি রিজার্ভ তৌবীবগী মথৌ য়াম্না তাগনি হায়না থমজগে। ●